থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ২০২০-২১ বজেট ! ইরন্নাই ৱাফম অমা

যুনিয়ন বজেট ২০২০ ! ২০২০-২১, চহীসিগী ওইনা 'ইন্দিয়া' কৌবা লৈপাক অসি ঙাকপদা চঙগদবা শেনফম, কদায়দা করি তৌগদবা, লুপা কয়া থাদগদবা হায়বদুগী অকুপ্পা ৱাফম, শেনবা-থুমবা অদু ফাইনান্স মিনিষ্টর 'নির্মলা সিতারমনি'না ফেব্রুৱারি ১দা পার্লিয়ামেন্টতা পুথোকখ্রে। ঙসি ফাওবা পুথোকখিবা বজেটশিংগী 'বজেট-স্পিচ' খ্বাইদগী শাংবসু 'নির্মলাগী অনীশুবা বজেট-স্পিচ অসিনা ওইখি। তমজরিবা পাউদমসি মোদি লৈঙাক অনীশুবা তাংঙ্কক্কী অনীশুবা বজেট অসিগী নৈন-ৱারোল (এনালাইসিস) অমা নত্তে। মণিপুরদা ইকোনোমিষ্ট-অহৈবা-অফবা, ফনা য়াম্না লৈরবসু নেসনল বজেট পুথোক্লকপা খুদিং, বজেটতুনা লৈপাকসিগী ইকোনোমিদা করি চৈথেং পীরক্কনি, লমদমসিগী মীয়ামগী পুন্সিদা করি অহোংবা লাকহনগদৌরি হায়বনচিংবা নৈনদুনা ইথোক্লকপা - মমাংদা অমুক্তা থেংনরকখিদ্রি। নেসনল ন্যুজ চেনেলশিং অমদি মিদিয়া হাউজশিংদদি বজেট হেক পুথোকখিবগা খুদক্তা নৈনরক্কনি - লৈপাকসিগী ইকোনোমিবু মায়ওন কদোমদা লমজিংদুনা পুদৌরি ?

বজেট অমা নৈনবা - পাউদমজরিবা ঐহাক্কী ইতিক ইপা নৎচদে। অদুবু, খঙবদুদি খঙনীংই - শেনবা-থুম্বা অসিনা ঐবু কদোমদা চিংদৌরি? কদায় তানা পুদৌরি ? শিন্মী ওইনা হিংলম্বা, পোথারবা শিন্মী ঐহাকপু করম্না হিংহনগদৌরি ? মীচম-মীয়ামগীদমক নীংবা কায়নীংঙাই মশক্লা? আশানা থনবা বজেটলা ? ইকোনোমিষ্ট অমগী মীৎয়েংদগী নত্তবা, আম-আদমি (ঈচম চম্বা মী) অমগী মীৎয়েংদগী য়েংলগা, এক্সপার্টশিংনা ঙাঙখিবদুসু তারগা পুক্নিংদা করি ফাওরকপা - পাউদম অমখক তম্নীংদুনা ৱাহৈ খরা, খোরি-খোরাং খোৎপগুম খোৎচিল্লুরে। খঙদে, অপাবশিংনা করি হায়রক্কদৌরিবা ! খঙই, এক্সপার্টশিংনদি পাবীবগী ৱাদি তোকখিসি, হন্না ফাওবা য়েংবীরোই।

পাউচেশিংদা ইনরকখিবা এক্সপার্টশিংগী রিপোর্টতগী খঙখি - ইনি দয়াগী শেল-থুমগী ফিভম, ইকোনোমি অসি হৌখিবা চহী নিফুরোমসিদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা শোকচিল্লে। লৈঙাকসিগী হৈ-শিংলবা প্রোপেগন্দা মেছিনরি অসিনা মীয়ামগী নাকোং য়ৌহন্দবনি। শোকচিল্লবা ইকোনোমি অমদি মীচম মীয়াম্না মায়োক্লরিবা প্রোব্লেমশিং অসিগী খল্লগা থবক ওইনা লায়না উঙমগদবা থৌরাং থৌশিল খরদি বজেটসিদা মমি তারক্কদ্রা খল্লম্বনি অদুবু হান্নগী হান্না শেনফম (শেন'সিং) খরা হোংদোক হোংজিন, ককথোক ককশিন, ঙাকলোইদবা ৱাশক খরা, তাবদা আশা ময়োল চোংহনবা মমাংগী বজেটশিংদু অমুক হঞ্জিনবা নত্তনা অতৈ থোইদোকপা অহেনবা উদে। অশম্বা লোন্দা মীচম-মীয়াম, লৌমী-শিন্মী, লায়রবশিংগীদমক্তদি নীংবা কায়নীংঙাই মশকনি। লৌমীশিংগী শেন্থোক (ইনকম) হান্নদগী শরুক অনী হেনগৎহনগনি হায়বা ৱাশক, হঞ্জিন হঞ্জিন শক্লক্লিবা, হন্দক্কীসি থারগা তরেৎলক শুরে। অদুবু, করম্না হেনগৎহনগনি হায়বগী থৌরাং থৌশিলদুদি য়াৎতবনা, কান্নদবা ৱাশক তাদুনা তোক্লি - কুমজা ২০১৪ দগী ঙসি ফাওবা। ৱাশক অসি ওইথোকহনগে হায়রবা, ইকোনোমি গ্রোথ-রেট চাদা তরামরি/তরামঙা ওইহনগদবনি। হৌজিক ওইরিবা, চাদা মঙা ফাওবা য়ৌদবা চাং অসিদদি, চীনফেন ফবা 'নেতা'শিংগী ৱাশক ওইদুনতা তোক্কনি। কুমজা ২০২০-২১ গী ওইনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈনবা থবকশিংদা থাদগদবা শেন্থং (লোন)গী শেনফম লুপা ক্রোর লাখ তরামঙা ওইগনি লাউথোক্লি। শানে দাক্কদৌরিবা শেন্দোয়গী চাংদি হন্থহন্দনা করি কান্নগদৌরিবা ? পৎ-তৎনা লায়রবা, মীচং লৈজদবা লৌমীশিংনদি শেলদুসু ফংঙল্লোই। শেন্দোয়-চাবী (প্রাইবেট মনি-লেন্দর)শিংগী লাংদা অদুম থুখিগনি, অরেং-অরেং পুথনি। ঈথৈ-লৌখোং শেমগৎনবা লুপা ক্রোর লাখ ২.৮৩ কায়থোক্তুনা থল্লে হায়রিবসিনা কনাদা-করম'-য়েম্থোক্কদৌরিবা? থবক অসি পাঙনবা লৈঙাক্কী ওইবা স্কিমদি অমা ফাওবা লৈতনা !

টামিল কবি 'টিরুভাল্লুবর'গী ৱাহায় অদু নীংশিংই .. 'অনা-অয়েক লৈতবা লমদম অদুদি মনিনা থনবা লমদমনি' ...। হায়বদি, লৈঙাকপা (নিংথৌ) অমনা পায়খৎফম থোকপা হকশেল-থৌরাং অদুগী মরু ওইবদুনি। পাল্লিবা লৈঙাক অসিনদি হকশেলগী থবক, হেল্থ ক্যের, অসিবু প্রাইভেটাইজ তৌবা, লন্নাই মীওইশিংদা পীথোক্লিংবগী ৱা ঙাঙলি। অফ-অফবা প্রাইভেট হোস্পিটাল হেন্না হেন্না হাংদোকহল্লি, হেন্না পুক্নিং থৌগৎলি, লায়রবা-মীচম মীয়ামগী অনা-লায়েং লন্নাই হোস্পিটাল চল্লাইরিবা লল্লোন-মীশিংগী থৌজাল (মীনুংশি) মখাদা লৈহল্লি। প্রাইভেট হোস্পিটালশিংগা লম্বা য়াবা লৈঙাক্কী হোস্পিটাল লীংবগী ৱাফম করম্বা ফাইনান্স মিনিষ্টরগী করম্বা বজেটতা য়াওখিবগে ?

অদুগা অৱাংবা থাক্কী (হায়র) এদ্যুকেনগী ক্বালিটি হেনগৎহন্নবা 'মীরৈবাক্কী শেনফম থাদহনবা' (ফোরেন দাইরেক ইনভেষ্টমেন্ট তৌহনবা), 'মীরৈবাক্তগী শেল পুবা য়াহনবগী ৱা হন্দক্কী বজেট অসিদা পল্লি। এদ্যুকেসন, নহারোলশিংগী মহৈ-মশিন তম্ফম অসিবু শেল-তানফম ওন্থোকপা, কম্মর্সল-এক্তিভিতি ওইহনবগা করিদা খেন্নরিবগে? 'ষ্টদি ইন ইন্দিয়া (ইন্দিয়াদা নহৈ তম্মু) ... স্লোগানদা থাজবা লৈঙাকসিগী অতোপ্পা স্লোগান অমনি - অঙাংশিংবু 'প্রোপর এদ্যুকেসন' ফংহন্নবা থৌশিল শেম্বদি হৈতবা লৈঙাকসিনি।

বজেটসিনা হায় - কুমজা ২০২৪ ফাওবগী মনুংদা অনৌবা এয়রপোর্ট চাম শেমগৎকনি। হান্না লৈরবা এয়রপোর্টশিংবুসু অচৌবা কোর্পোরেট হাউজশিংদা নীংঙাইদনা য়োম্থোক্লি। লৈঙাকসিনা পায়খৎলিবা অনৌবা থৌরাং, কোর্পোরেটশিংগী দিমান্দ মতুং ইন্না লাউথোরকপনি হায়বা করম লানগনি। বজেটসিদা পল্লিবা - ইকোনোমি দিভলপমেন্টকীদমক 'বেঙ্কিং সেক্তর' য়াম্না মরুওইবা এজেন্ট অমনি। অদুগা, ইকোনোমি সর্ভে রিপোর্ট অমদি ফাইনান্স মিনিষ্টরগী বজেট-স্পিচতা বেঙ্কশিংবু প্রাইভেটাইজ তৌবগী ৱা পল্লি। বেঙ্কশিংবু লুট তৌরিবা অমদি বেঙ্ককী লোন শিংউ য়াদ্রিবা, বেঙ্ক ফেল ওইনীংঙাই মচাক ওইহল্লিবা প্রাইভেট-সেক্তর-বিজিনেস-হাউজ ময়ামসিননি হায়বসিদি লৈঙাকসিনা খঙনা খঙনা কাউথোকই।

মরমশিং অসিননি - হন্দক্কী যুনিয়ন বজেটসি নীংবা কায়নীংঙাইনি হায়জরিবা। য়ানিংদবসু য়াওগনি, মীওইবনিদনা ! অদুবু ঐগীসিসু ইরন্নাইগী অচেৎপা ৱাফমনি।

লৌশিং পুক্কে

# নুমিৎ খুদিংগী অকক্লবা চাংদা হৈজুকাক চাবনা হার্ট অমদি ইন্টেষ্টাইন ফহল্লি

অনৌবা ট্রাইয়ল অমদা নুমিৎ খুদিংগী অকক্লবা চাংদা হৈজুকাক (ৱালনট) চাবা মীওইশিং ইন্টেষ্টাইন ফবা অমসুং হার্ট দিজিজগী রিস্ক হন্থবা য়াই হায়না খঙবা ঙমখ্রে।

নটশিং অসি ন্যুট্রিএন্টশিং মরাঙ কায়না য়াওই অমদি হকচাংদা য়াম্না কান্নে। অকক্লনা হৈজুকাক অসি প্রোটিন অমসুং ফেট চাং ৱাংনা য়াওবগা লোয়ননা কেলসিয়ম অমদি আইরনসু মরাং কায়না য়াওই।



হৈজুকাককী ন্যুট্রিসনেল পোটেন্সিএল অসিনা মরম ওইরগা মসিনা তশেংনমক্কী অকক্লবা হকশেলগী ওইবা খুদোংচাদবা খরা ঙাকথোকপা ঙম্বরা হায়বগী মতাংদা রিসার্ছর খরনা থিজিনখ্রে।

মমাঙ চহী ২০১৯দা পেনসিলভেনিয়া ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিগী রিসার্ছরশিংনা সেচুরেটেদ ফেটকী মহুত্তা অনসেচুরেটেদ ফেটকী সোর্স অমা ওইরিবা হৈজুকাক ওইনা চাবা মীওইশিংদা কার্দিওভাস্কুলরগী ওইবা কান্নবা, অকক্লনা ব্লদ প্রেসরগী ফিভম ফগৎলকপা থেংনখি।

ইনভেষ্টিগেটরশিংনা হায়রি মদুদি, অল্ফা-লিনোলেনিক এসিদ কৌবা পান্থীশিংদা ফংবা ওমেগা-৩ ফেট্টি এসিদ মখল অমা হৈজুকাকতা য়াওই।

রিসার্ছরশিংগী টিম অদুদা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর কৃষ্টিনা পিটর্সন অমদি প্রো. পেন্নি কৃস-ইথর্টোনসু য়াওরি। রিসার্ছ অদুগী মখা চথুরদুনা মখোয়না হৈজুকাকতা য়াওবা হকশেলদা কান্নবশিংগী মতাংদা হেন্না থিজিন্নবগীদমক অতোপ্পা ষ্টদি অমগা হন্দক্তা নৌনা চথখ্রে।

ন্যুট্রিসন কৌবা জর্নেল অমদা ফোঙলকখিবা ষ্টদি অসিনা হকচাংদা কান্নবা দাইটতা ৱালনৎসু য়াওহনবনা ইন্টেষ্টাইনদা কান্নহল্লি অমদি হার্টসু ফহল্লি হায়রি।

রিসার্ছরশিং অদুনা মশাগী চহী ৩০-৬৫ ওইবা হকচাংগী অরূম্বা হেনবা নৎত্রগা অনোয়বা পার্টিসিপেন্ট ৪২ য়াওবা রেন্দমাইজ অমদি কন্ট্রোল তৌরবা ট্রায়ল অমা পাঙথোকখি।

মীওই অমগী দাইটতা হৈজুকাকসু য়াওহনবনা মীওইদুগী গট (ইন্টেষ্টাইন) হেল্থতা করম্না ইনফ্লুএন্স তৌবগে হায়বদু মখোয়না য়েংবা পাল্লম্মী।

রিসার্ছরশিংগী টিম অদুনা পার্টিসিপেন্টশিং অদুদা ষ্টেন্দর্দ ৱেষ্টর্ন দাইট অমা চয়োল অনীগী ওইনা শীজিন্নবা হায়রম্মী।

হায়রিবা মতম অসি লোইশিল্লকপা মতমদা রিসার্ছরশিং অদুনা পার্টিসিপেন্টশিং অদুবু রেন্দম ওইবা মওংদা কাঙলুপ অহুম থোক্লা খায়দোকখি। কাঙলুপ অমদা য়াওবা পার্টিসিপেন্টশিং অদুদা হৈজুকাক মশাদুমক মখোয়গী দাইটতা য়াওহল্লম্মী, অদুগা অনীশুবা কাঙলুপ অদুগী দাইটতনা হৈজুকাকতা য়াওবগা চপ মান্নবা চাংদা অল্ফা-লিনোলেনিক এসিদ য়াওহল্লম্মী। অদুগা অহুমশুবা কাঙলুপ অদুগী দাইটতনা অল্ফা-লিনোলেনিক এসিদকী মহুত্তা ওলেইক এসিদনা ওইনা মহুৎ শিন্দোকখ্রবা, হৈজুকাক য়াওদবা দাইট ওইনা চাহল্লম্মী।

পার্টিসিপেন্টশিং অদু মখোয়দা এসাইন তৌরিবা দাইট অদু চয়োল ৬ চূপ্না পীজরম্মী, চয়োল ৬ অদু লোইরবা মতুংদা দাইট মখল অদু কাঙলুপ অহুমগী মরক্তা অমুক ওন্থোক্লদুনা মীওই খুদিংমক শুনা ফোল্লা তৌবা লোইদ্রিবা ফাওবা ওন্থোক্লরম্মী। হায়রিবা দাইট মখলশিং চাবগী লোইশিল্লকপা মতম খুদিংদা পার্টিসিপেন্টশিং অদুগী ফিকেল (অমাংবা) সেম্পলশিং রিসার্ছরশিংনা কল্লেক্ট তৌরম্মী। মসিনা গেষ্ট্রোইন্টেষ্টাইনেল ট্রেক্টতা য়াওবা বেক্টিরিএল পোপ্যুলেসনদা লাকপা অহোংবশিং এনালাইজ তৌবা য়াহল্লি।

নুংতিগী চারিবা দাইটতা হৈজুকাক ৮৫ য়াওহনবা মীওইশিং অদুগী হার্টকী হেল্থতা ফগৎলকপা অদু প্রো. কৃস-ইথর্টোন, পিটর্সেন অমদি মখোয়গী কলিগশিং অদুনা থেংনখি। সাইন্টিষ্টশিংনা হায় মদুদি, গট বেক্টিরিয়াগী অহোংবশিংনা খঙহনবগী মতুংইন্নদি হার্টকী হেল্থতা লাক্লিবা অহোংবশিং অসি গটকী হেল্থতা ফগৎলকপদগী ওইহল্লকপা ওইরম্বা য়াই।

হৈজুকাক য়াওবা দাইট চাবনা হকশেলগী ওইবা কান্নবা কয়াগা মরী লৈনবা গট বেক্টিরিয়া কয়াগী মশিং হেনগৎহল্লি হায়না পল্লদুনা পিটর্সেননা হায়, মখোয়শিং অসিগী মনুংদা রোসবুরিয়া হায়রিবা গটগী লাইনিং প্রোটেক্ট তৌবা বেক্টিরিয়া অসিসু অমনি। ইউবেক্টিরিয়া এলিজেন্স অমদি ব্যুটিরিসিকোকসকী মশিং হেনগৎলকপসু থেংনৈ হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

রিসার্ছরশিংনা হায়, ইউবেক্টিরিয়া এলিজেন্স অসি ব্লদ প্রেসর ইরেগ্যুলর ওইবগী তোঙান তোঙানবা মচাক কয়াগা মরী লৈনৈ। বেক্টিরিয়ম অসিগী মশিং হেনগৎলকপা অসিনা কার্দিওভাস্কুলর রিস্ক হন্থহনবা য়াই হায়নসু মখোয়না মখা তারি।

ষ্টদি অদুদা হৈজুকাক য়াওদবা দাইট চাবা মতমদা গট বেক্টিরিয়াদা লাকপা অহোংবা অমত্তগা হার্ট দিজিজগী রিস্ক ফেক্টরশিংগা মশক থোকপা মরী অমত্তা লৈনবা থেংনখিদে।

কৃষ্টিনা পিটর্সেননা হায়, মশিং য়াল্লবা ইভিদেন্টশিংনা উৎলি মদুদি চিঞ্জাক্তা অহোংবা খরদং লৈহনবনা হকশেলদা অসুক্কী মতীক কান্নবা পী। নোংমগী চারিবা চিঞ্জাক্তা হৈজুকাক গ্রাম ৫৬ তগী ৮৫ ফাওবগী চাংদা য়াওহনবা হায়বসি গট হেল্থ ফগৎহনবা অমদি হার্ট দিজিজগী রিস্ক হন্থহন্নবগী য়াম্না ফবা পান্থৈ অমা ওই।

ষ্টদি অসিগী রিসার্ছরশিংনা হায়, হৈজুকাকতা য়াওরিবা ন্যুট্রিএন্টশিং অসিনা মরম ওইরগা তোঙান তোঙানবা হকশেলগী ওইবা কান্নবা কয়ামরুম ফংবা য়াই।

নটশিংনা গট হেল্থতা অহোংবা লাকহনবা য়াই হায়বগী ক্লু কয়া ষ্টদি অসিনা পীরে, হৌজিক অমুক মসিনা ব্লদ সুগর লেবেলদা করম্বা এফেক্ট তৌবগে হায়বদু খরগা হেন্না পাকথোক্লা য়েংবা পাম্লক্লে হায়না প্রো. কৃস-ইথর্তোননা হায়রি।

## ঐখোয়গী তুংলমচৎ নহাশিংগী মখুৎতা লৈ : শ্যাম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ (ঐচ এন এস): ঐখোয়গী তুংলমচৎ নহাশিংগী খুৎতা লৈ হায়না সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী সেন্টিনরি হোলদা পাঙথোকখিবা নোর্থ ইষ্ট এন এস এস ফেষ্টিভেল ২০২০ লোইশিনবগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

নেসনল সর্ভিস স্কিম (এন এস এস) সেল, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসকী শেন্থং মখাদা শীন্দুনা থা অসিগী ৬ ফাওবা চথুগদবা ফেষ্টিভেল হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হায়খি, ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়াদুনা নহাশিংগী মরক্তা তীনবা ফংবসি নুংঙাইবা ফাওই। মীওইবগী পুন্সিদা খ্বাইদগী মরুওইবা অসি নহা ওইরিঙৈ অসিনি। ফেষ্টিভেল অসিনা নহাশিংবু লন ওইনা শেম্বদা মতেং পাংবা ওইগনি হায়না লৌই। খুন্নাই অমসুং নেসনদা তঙাইফদ্রিবসি অফবা সর্ভিসনি। মীওইবগী পুন্সি শেম্বদা ৱাখল লৌশিং অসি শীজিন্নগদৌরিবনি। য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসনা স্কিম অসি স্পোন্সর তৌরক্লিবনি। ইন্দিয়া অসি খোঙজেল য়াংনা চঙশিল্লক্লিবা লৈবাকনি।

নোর্থ ইষ্ট চাউখৎতনা ইনি দয়া চাউখৎপা য়ারোই। এক্ট ইষ্ট পোলিসীগী মখাদা নোর্থইষ্ট ষ্টেটশিংদা তোঙান তোঙানবা প্রোগ্রাম কয়াসু পায়খৎলি। নোর্থ ইষ্টকী তোপ তোপ্পা কলচর অমসুং আইদেন্টিটি লৈ। মসি ঐখোয়না য়োকখৎপা অমদি চাউখৎনবা হোৎনবা তঙাইফদে। আর্ট এন্দ কলচর অমসুং স্পোর্টসকী লমদা মমিং চৎলিবনি। লমদমসিগী নহাশিং হ্যুমেন রিছোর্স ওইসি। নীংথিনা থবক তৌমিন্নবা তাই। পোটেন্সিয়ল লৈবা নহা ময়াম পুথোক্লবা হোৎনবা তঙাইফদে। ষ্টেট অসিদা চেলেঞ্জ ময়াম থেংনৈ। লমদমসিগী নহা কয়া ময়াই কাবা দ্রগকী ঈপাক্তা লুপ্লগা লৈরি। নোর্থ ইষ্ট রিজনগী ইকনমি ফীভম ফৎতে। ইন্দষ্ট্রিএল সেক্তরদা নেম্না লৈ। ইকনমিক দিভলপমেন্ট তৌনবা অনৌবা পান্থৈশিং পুথোকপা তঙাইফদে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

## আই সী এ আর ওল ইন্দিয়া নেটৱার্ক প্রোজেক্টকী কোওর্দিনেসন কম্মিটি মীটিং হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়ন ইনষ্টিট্যুট ওফ নেচরেল এন্দ গমস নমকুম, রাঞ্চিনা লিদ সেন্টর ওইরগা আই সী এ আর ইম্ফাল সেন্টর, সী এ য়ু দিরেক্টোরেট ওফ রিছার্সনা শীন্দুনা নুমীৎ নীনি চথুগদবা কোওর্দিনেসন কম্মিটি মীটিং ওফ আই সী এ আর ওল ইন্দিয়া নেটৱার্ক প্রোজেক্ট ওন কঞ্জার্ভেসন ওফ এল এ সী ইন্সেক্ট জেনেটিক রিছোর্স ঙসিদগী কোলেজ ওফ এগ্রিকলচর, সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি ইম্ফালগী কনফরেন্স হোলদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সী এ য়ু ইম্ফালগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসর এম প্রেমজিৎনা চীফ গেষ্ট, আই সী এ আর ন্যু দিল্লিগী এ দি জি, ডা. কে কে সিংহনা চ্যেরমেন ওইখি। কোলেজ ওফ এগ্রিকলচর ইরোইশেম্বা, সী এ য়ু ইম্ফালগী দিন প্রোফেসর ইন্দিরা সরাংথেম অমদি কোলেজ ওফ ফুদ টেক্নোলোজি সী এ য়ু ইম্ফালগী দিন প্রোফেসর ৱাই জে কেন্দ্রনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা প্রোফেসর এম প্রেমজিৎনা হায়খি, ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী সাইন্টিষ্ট ৪০ রোম লাক্তুনা এল এ সী ইন্সেক্ট হায়রিবা অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনরি। এল এ সী হায়রিবা তীন অমখক্লা মশাদগী পুথোকপা অসিনা ফি শংবদসু শীজিন্নরম্মী। হৌজিক্কী মতমদদি কয়া তৌদ্রে। মণিপুরদদি ওর্গানিক্তা য়াম্না চঙশিল্লি। ওর্গানিক্কী পোৎলমশিং মপান্দা থাদোক্কে হায়রবদি মতম খরা শাংনা থম্বা য়ানবা প্রোসেস তৌই। মদু নৎত্রবদি ওর্গানিক্কী পোৎ অদু ওর্গানিক ওইদে হায়বগী ৱাফম লাক্কনি। হৌজিক্কী মতমদা আয়ুর্বেদিক্কী মেদিসিন য়াম্না শীজিন্নরে। আই সী এ আর মণিপুর সেন্টরদা ট্রেনিং কয়া অমসু পাঙথোক্লি। অসিগুম্বা খন্ন-নৈনবা অসিনা য়াম্না কান্নবা পীগনি। লৌমীশিংদা এৱ্যেরনেস নীংথিনা লৈহনবা অমসুং ফার্মর ইনকম দবল লাকপা য়ানবা খোঙথাংশিং তঙাইফদে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

## বৈরোপ, নলিনিগী মিংদা গার্লস হোমদা তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ (ঐচ এন এস): ওর্গনাইজেসন ফোর অন্দর প্রিভিলেজ গ্রুপকী মখাদা ব্রহ্মপুর অরিবম লৈকায়দা লৈবা গার্লস হোমদা লৈখিদ্রবা চোংথাম বৈরোপ অমসুং চোংথাম নলিনিগী মিংদা লৈখিদ্রবগী নীংশিং থৌরমগা মরী লৈননা বৈরোপ নলিনি ফাউন্দেসনগী মায়কৈদগী চান্ন-থক্লবা অমদি ফিরোলশিং খুদোল তমখ্রে।

ফাউন্দেসন অসিগী থৌবু ওইরিবা খ্বাইরাকপম বিশ্বামিত্রানা ফোঙদোকখিবদা, লৈখিদ্রবা অনী অসিগী নীংশিং থৌরম খুদিংদা ব্লাইন্দ স্কুল অমদি হোমদা খুদোল তমদুনা লাক্লি। হন্দকসু গার্লস হোম অসিদা খুদোল তম্বনি। মসিদা দোনর ওইনা সরুংবম ফজবী অমসুং সরুংবম হরিপিয়ারিনা পীরকখিবনি। হোম অসিদা লৈরিবা নুপীশিংগীদমক খুদোল তম্বনি। নুপীমচাশিং অসিনা ৱাখল হন্থরোইদবনি। শেম্বীবা মপুনা তম্বীরকপা খুদোল ওইনা লৈবনি। শেম্বীবা মপুনা থারক্তুনা ঐগী ঐগী করেক্টর অসিদা তাইবং ফম্বাক অসিদা লীলা শান্নমিন্নবনি। হোম অসিগীদমক হোৎনরিবা কয়া অসি নুংঙাই। নুপীমচাশিংনা দিসিপ্লিন হায়বসিনা খোঙথাং ওইরগা এদ্যুকেসন্দা লাক্কদবনি। হোম অসিগী পান্দম ফংনবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ওর্গনাইজেসন ফোর অন্দর প্রিভিলেজ গ্রুপকী প্রসিদেন্ট মেমতোম্বীনা ফোঙদোকখিবদা, হোমদা ইচাশিংবু নুংশিদুনা খুদোল তম্বসি অপেনবা পোকই। ইচাশিং অসিবু মহৈ-মশিননা ঙাক্লৌ ওইনবা হোৎনবনি। মহৈ-মশিন্না মেনখৎনবা হোৎনরক্লিবনি। ঙসি ফাওবদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মতেং লৌবা লৈত্রি। হৌজিক্তি ক্লাস সেভেন তম্বনা খ্বাইদগী পীকপা ওইরে। ক্লাস টেন, টুয়েল্ভ থাগদবা য়াওরি। এম এ তম্বা ফাওবা য়াওরে। ক্লাস টেন লোইরগা থাদোকপা হায়বসি হোমগী পান্দমনি। অদুবু ঐখোয়না মখোঙ শেংদুনা ৱানা শেমজরগা করম্না থাদোক্কদগে হায়বগী ৱাখলদা অমদি করম্বা লম্বীদা চৎখিগদগে হায়বগী ৱাখলদা মখোয়বু মহৈ তমহনবনি। লৈজরিবা ইচাশিং অসি মী অমা ওইনা মরোমদোম লেপ্পা ঙমজনবা হোৎনগে হায়বগী ৱাখলদা চঙশিল্লকপনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

JCRE Skill Solutions
empowering our youth

We're HIRING

Accountant
No. of Vacancies: 02
Essential Requirements:
B.Com / M.Com / MBA in Finance
Good in MS Word, MS Excel and Tally ERP9
Possession of two wheeler is mandatory.

Project Co-ordinator
No. of Vacancy: 01
Essential Requirements:
Any Graduate
Good in MS Office (Word, Excel and PPT)
Possession of two wheeler is mandatory.

Job Location: Thangmeiband
hr@jcre.ac.in (interested candidates may send their resume on or before 7th of February 2020)
8837416697 Call us in between 09:30 am - 04:00 pm (Mon-Sat)

HL-B/5723/2-5

ADMISSION OPEN
"LULLABY"
A Child Care Cum Pre-School
Nagamapal RIMS Road Corner, Near Traffic Point
- A co-educational school for Playgroup, Pre-Nursery, Nursery and KG.
- 1 year scholarship to those aspiring students who stood 1st, 2nd and 3rd position in their respective classes.
- Total Child Care
- Nutritious Food
- Child Psycological Development
- Well Equipped Playing Facilities
- Accurate Teacher and Child Ratio
- Session starting from 6th February, 2020.

Kinder pool and twinkle kids system of education

Monthly Tution Fees are free for this academic year as an introductory offer.
6009103078

HL-P/4570/19-28jan.

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৪। ০২।২০২০ ইং, লৈবাকপোকপা,
ফাইরেলগী ১০ নি পানবা।

**মেষ :** তুংগী পোরম য়াৎপা হৈবা, ঙাঙথোকপদা মীয়াম্না থাগৎপিবা অমদি অরং-অরাক লৌশিনবা য়াবা নুমিৎনি। থৌনা ফুদোকপদি ৱাই, মরুপ্না নরলদা মীতাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** থবক্তা শেল থাদবা য়াগনি অদুবু ৱানোম থৌনোমদি মাঙজগনি। ফংবা য়াবদি পনগনি অমদি অৱাৎপা অমা লোয়নৈ অদুনা অখঙ অহৈগী পাউতাক লৌবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**মিথুন :** অচুম্বনা পাম্বৈনা ওইগনি অমদি অরুবা থবক্তা মায় পাকপগী নুংঙাইবা ফংগনি। মীয়ামগী মতেং ফংগনি য়েক্লববু লায়না খুদুম চনগনি। লনদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - ওইজবা মাঙবা য়াই-তপথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কর্কট :** ৱাখল থোক্কনি, শেল ফংগনি, মীচং লৈগনি অমদি অশা চাওবগী কান্নবা ফংগনি। অদুবু মুক্লবা খৎনবা য়াবদি লৈবনা পূক্নিং ফাথবা অমদি তহা তহাদবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** নরলগী লম্দা পেন্দবা খরা লৈগনি অমদি ঙাঙথোকপসু হৈবা ৱাৎকনি-তুমিন লৈবনা মফরে। ইমুং-মনুংগী ৱা তাবা অমদি থিবা হুম্বা কনবগী কান্নবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**কন্যা :** অফা অপুন্নৈ অমদি কল্লক য়েংথীবা য়াম্মী। মীৱা লৌগনু অমদি অখঙ অহৈ শাগনু-নঙোন্দগী হেন্না খঙ-হৈবা য়াম্মী কাউগনু। লোয়নবদা অরোনবা ঙাঙথোক্কনু।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম খজিক ঙাইবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**তুলা :** নোল্লুক্লা চৎপা, খুৎচাও থাদবা অমদি ঙক কন্দবনা মাঙগদবা কয়াদগী কঞ্জবা ঙমগনি। খন্থদ্রবদি তৌহৈদবা তৌনিংগনি, হন্থবা মী লোয়নগনু, হকচাংগীসু খল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - তপ্পা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক :** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংবা ঙসিসু লৈগনি, কনানসু লাকচবা ঙমলোই অমদি পাইরক্কী লৌশিং চাউবনা হোৎনবা অয়াম্বা কান্নগনি। লৈঙাক্কী লম্দসু ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** অয়েৎপা খরা চেল্লবসু মায় পাক্কনি অমদি নীংবা থুংগনি। হৌজিক্তি মীচং হেনগৎলে অদুনা থৌয়াম পাংবসু য়াগনি। অদুবু নতোমতগী লৌশিংনদি ৱাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/ য়াইঙং।

**মকর :** মতম মাঙবনা হেল্লি অদুবু খল্লুদবা মরমদগীসু ওইজ ওইথক তানবা য়ারগনি। মীয়াম্নদি চাওনা থাগৎপিগনি অমদি মীরক চংলগসু নুংঙাইবা হেনবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা লুনা তৌবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**কুম্বা :** মীয়ামগী মতেং লৌবা য়াগনি, ৱানোম থৌনোমসু মায় পাক্কনি অমদি মরুপ-মপাং লোয়নবা থবক্তগী শোইদনা কান্নবা ফংগনি। অনম তাল্লবা কাইননি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মিন :** মীংচৎ ফংগনি, থবক পাংগনি, অঙম্বনা চানবীগনি, লাইবক ফগনি, লল্লোন ইতিক কান্নগনি, মরুপ অফবা ফংগনি, ৱাখল নুংঙাইগনি অমদি লৈফম ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।